থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ঐখোয়’ ইরক্তা লৈতবা, লৈফম থোকপী মী অমা

মী মখল অনী শুই। মমাঙদা কয়ারকসু নীংশিংজখ্রে- অফবা নৎত্রগা ফত্তবা মী ! অপঙবা নৎত্রগা অশীংবা মী। অদুবু, মী মখল খূদিংমক্লা খনজে- মহাক খ্বাইদই শীংবা মীশক্তুনি। খ্বাইদই ফবদু মহাক্নি। অফবনি নৎত্রগা ফত্তবনি- তৌথোরকপা থবক্লা ঊৎলক্কনি। অপঙবা নৎত্রগা অশীঙবা মী-মীদুনা তৌথোরকপা থবক্কী মথক্তা ঙাংথোরকপা ৱাদুনসু তাক্লক্কনি লোৎপা য়ারোই। তশেংনা শীংবা, অশীংবা মী খন্দোকপসি তশেংনমক্তি অরুবা থবক নত্তে। লুরিবদি কনাগুম্বা অমবু ‘অশীঙবনি’ হায়না লাউথোকপদুনি। মরমদি, ঐখোয় মীওইবনা খ্বাইদই শীংবা মীনি খন্দোক্লুবা মীশক্তুনা হায়রক্কনি- মহাক্তি করিসু খঙদ্রিবনি/খঙবা হৌরকপদা ঙায়রিবনি/খ্বাইদই পঙবদু মহাকনি। হৌজিক্কী মী অয়াম্বদি লোইনা শীংলে; অপঙবা মী লৈতরে- খন্নবনি, মশা মশানা। অপঙবা মী লৈত্রবনা, হায়বা তা’মাল্লে হৌজিক্তি- মশানা মশাবু খ্বাইদই হেন্না শীংলবা, পূমশিং শীংবা মী’দুনি খঞ্জবা কাঙলুপ অমগা, শীং’দি শীংলগা অশীংবা মীনি খঞ্জদবা কাঙলুপ অনী লৈ।

মশানা মশাবু কা হেন্না থাজবা, ঐ মঙায়রে খঞ্জবা মীশক অদুবু ‘ইগো’ লৈবা মী কৌই- মীওইবগী পূক্নিং নৈনবা কাঙবুদুনা হায়বনি। অদুগা, কনাগুম্বনসু হায়- ইগো লৈতবা মী লৈতে, হেনজিনবা নৎত্রগা হেনজিন্দব’দুগী ৱানি। ওইনিংবদু ওইরসনু, অদোমদা নৈনজররোই। ঙসি ঐনা, অপাবশিংদা সেয়র তৌজ নিংলুবা ৱা’সিনা অমনি। ‘ইগো’ হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক, খঙবীরবদুনি পূম্নমক্লা। ‘মীওইবা’ কৌবা থৱায়পানব’সিখক্তদা লৈবা, অতোপ্পা জীব অমত্তদা লৈতবা, তোপ তোপ্পা মওং-মতৌ (ৱাখল খূৎখন) অমনি ‘ইগো’।

মী’খক্তদা লৈবা, অতোপ্পা জীব অমদা লৈতবা মওং অমনি হায়বনিনা, অমুক খনবা হৌরকই- ‘ইগো’ পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংদসু য়াওবরা? নো ! য়াওফম থোক্তে য়াওরল্লোই। ‘ইগো’ হায়বসি মীওইবগী জিনেতিক ক্যারেক্তর অমা নত্তে। মী অমগী/অঙাং অমগী লু-তোংদা য়াওরক্লবা, মমা-মপাগী ঈদগী থঙথরকপা মরমচৎ/ক্যারেক্তর অমা নত্তে- ‘ইগো’। পীক্লিবা অঙাং অমনা তপ্না তপ্না চাওরকপা, মহৈ-মশিন-এক্সপরিয়েন্স তপ্না তপ্না তাল্লকপা, প্রোসেসতুদা হাপচিল্লকপনি, মীওইবগী ইগো। মমা-মপা, কৈরোয়-লৈকায়, স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি... পূম্নমকসিনা মী অমগী ইগো, পান্বী অমগী মপান-শাৎ-মহৈ য়াল্লকপগুম, তপ্না তপ্না কনশিনহনখিদুনা পর্সোনেল ত্রেইত/ক্যারেক্তর অমা ওইরকই। দার্ৱিনগী ‘সর্ভাইভেল ওফ দ ফিত্তেস্ত’ (অকনবনা হিংহৌবা) হায়বা ইভোল্যুসনেরি থিওরি অদুনা লিভিং প্রিন্সিপল অমগুম খনহল্লকখি। ঐ মঙায়রে/ঐনা মহেল্লে খনবসি অতোপ্পনা ঈকায় খুম্নে- পূম্নমক্লা খন্নরিবা ‘ফোলস-ইগো’ অমনি। ইগো হায়বসি ইন্তেল্লিজেন্স নত্তে, ইন্তেল্লিজেন্স হায়বনা মঙালনি, ইগো হায়বসিনা অমম্বনি। ইন্তেল্লিজেন্স হায়বসিনা থোৎলবা লৈ অমগুম্বনি, ইগো হায়বসিনা অকনবা নূঙ। অদুগা করিগী চৎনলোন-খুন্নায়লোন অসিনা ইগো-কলচর তৌরল্লিবা? ৱাখলসিনা ঐহাকপু ফুম্বংনহল্লি, পোখাফম খঙহন্দে।


খঙলকই কোন্না- লৈপাক ঙাকপা, লৈঙাকপশিংসিনা পাম্মী-খুন্নায় অসি মখোয়না হায়রিমখৈ য়াবা, মশাগী ৱাখলনা লমজিংদবা, অতোপ্পগী অপাম্বনা লমজিংবা, তিঙ্গাকোক ময়াম্না থল্লবা, রোবোতকুম্বা মী ঙাক্তনা শেম্বা খুন্নায় অমা ওইহনবা। ৱাখল খনবা, ৱাখলদুনা লমজিংবা, অশীঙবা (ইন্তেল্লিজেন্ত ওইবা) মী থম্বা পামদে। থৱায় পানবা মী নত্তবা, থৱায় পান্দবা রোবোতকুম্বা মী পাম্মী। ইন্তেল্লিজেন্ত ওইবা মী’দি মখোয়না নমথবা ঙম্লবসু মীনায় ওইহনবদি ঙম্লোই কৈদৌনুংদা। ইগো’না হারবা, সুদো-ইন্তেল্লিজেন্ত-ইন্দিভিজ্যুঅলশিং অদুদি মখোয়না ইরায় লায়না খুদুম চনবা ঙম্মী। অহানবদা ফাওহনগনি- মহাক পুন্সিসিগীদমক লান্থেংনরিবা অথোয়বা লান্মী অমনি। মথঙদা, অনীশুবদা খলহনগনি, মহাক অপাম্বা খূদিং ফংলবা, মায় পাক্লবা মীশক অমনি, অতোপ্পা অউবশিংনা কল্লক্লবা পুন্সি অমা শাগোন্নরিবা। মখোয়গুম্বা মীশক ময়ামদুনি- লৈঙাকপশিংনা খ্বাইদই খোয়দাজবা। খোয়চাক থাবগুম থারগা শঙ্গু শঙ্গু তুংইন্নরকপা মায় পাক্লবা, শেল পায়রবা, অথোয়বা পুন্সি-লাল্লোয় ময়াম অমা।

পান্দম অসি ফংনবা অহানবদা শেমগৎলকই- অতোপ্পনা শীজিন্নরল্লবা মল্লবা এদ্যুকেসন সিষ্টেম... এস্বিসন ! পুন্সিগী অচৌবা মঙ অমা শাগৎপা ! মাঙলমচৎকী ফিদম্লিংঙাই ওইরবা মী কয়াগী পুন্সি ৱারী তাহনবা... মখোয়গী খুনাম মাদুনা, মাগী ফিদম লাক্তুনা, মাগুম্বা মী ওইননবা মঙ মঙহনবা ! মহাক অমদি মহাক্নুম্বা নত্তবা, অতোপ্পা অমা ওইহন্নবা লম্বেলদুদি য়াওবা ! ‘ময়ামগী মকোক থোংবা, ময়াম পূম্নমক্তগী পূমহেন হেনবা মী ওইয়ু... অফাওবা মী ওইরকউ... মশক নাইবা, মীনা খঙবা মী অমা ওইরকউ... শেল পায়বা, মীনা ঈকায় খুম্নবা, লায়রববু লৈবা ঙম্বা ইনাক খুনবা মী অমা ওইরকউ, মীয়ামগী মীহুৎ ওইরকউ, মিনিষ্টর ওইরকউ, ইগো’না হারবা মায় পাকপা মীশিংদুবু নমহৎতুনা ‘সুপর-ইগো’ চেনবা মী অদু ওইরকউ...’সিনি ঙসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টেমসিনা শেমগৎলকপা সোসল সিষ্টেম। সিষ্টেমসিদা য়াওদে-নুংশিবা তন্বীবা অমদি নুংশিননা হিংমিন্নবগী মওং মতৌ-। অতোপ্পবু তুহৎপা, তুহৎলগা মথক্তা হাইনা হুম্না পানবগী থৌওংদুমদি ঈরোয়নৈ। ইন্তেল্লিজেন্ত ওইবা, মপূক তপ্পা, অশীঙবা মী হায়বদুদি অতোপ্পা লেংমান্নবা অমবু মশাগী কান্নবা ফংনবা শীজিন্নবগী ৱাখল কৈদৌঙৈদা খল্লক্লোই। অতোপ্পবু ঈকায় খুম্নগনি, মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংগনি, মান্নদবা (খেন্নবা)দুসু খঙগনি। জিসস’না হায়রম্মী... ‘অঙাংগুম হিংবা ঙমদ্রবা মহাক্তুদি আশা য়াওদ্রবা মপোক্নি, অঙাংগুম চন্নবা থম্মোয় অদু য়াওদনা ঐগী ইংখোল (লাইরৈবাক)সিদা খোঙ্গুল তারবা য়ারোই’...। ‘ঐগী নাক্তা লাক্লবা পরেং লেপ্লিবা মীয়ামসিগী খ্বাইদই মনিং থংবদা লেপ্লিবা মহাকসিনি ঐগী থোঙ্গালনা ঐনা ইহান হান্না ওক্কদবা’- হায়না প্রভু যিশুনা হায়রম্বদুগী ৱাহন্থোক খঙবা কনাবু য়াওরি’দগে চয়োল খূদিং মগুন শক্লিবা ময়ামসিগী মরক্তা?

লৌশিং পুক্কে

# অঙাং খাও ট্রান্সপ্লান্ট

## তৌরগা মমা ওইবা ঙম্লে




মমা পুক্নুংদগী মপোপ কায়দনা য়াওরকপা হকচাংগী কয়াৎশিং খাঙুথক্তা মরম অমা নৎত্রগা অমদগী মথৌ লেপখিবা য়াওই। কনাগুম্বা খরদি শীজিন্নবা য়াররোইদবা কয়াৎশিং অদুনা হকচাংগী অতোপ্পা মফমদা অকায়বা পীরকপা য়াবগী ফীভম লাকপদগী ওপরেসন তৌরগা লৌথোকপসু য়াওরিবনি।

নুপী ওইবীশিংগী য়াম্না মরুওইবা কয়াৎশিংগী মনুংদা অঙাংখাউ অসিসু অমনি। কয়াৎ অসি য়াওদ্রবা নুপী অদুদি মপুন্সিদা মমা হায়বদু ওইবা ফংলরোইদবনি। নুপা-নুপী য়ুম্বান পুন্সিদা খোঙদামিন্নরবা মতুংদা মচা অমফাওবা মমিৎতা উবা ফংলক্তবদগী ইমুং মহী লাঙবা, তোয়না খৎনবা অমদি নুপী লোনবগী থৌদোকশিং খুন্নাইদা অদুম্মক থেংনরি।

মালেমগী ওইনা নুপী ৭০০০ কী মনুংদা নুপী অমমম অঙাংখাউ য়াওদনা পোক্লকই। মসিগী মথক্তা কেন্সর অমদি অতৈ লায়না কয়ানা মরম ওইরদুনা অঙাংখাউ লৌথোকখ্রবী নুপী কয়া অমসু লৈরিবনি। পুম্নমক অসিগী য়েংলগা মেদিকেল সাইন্সনা লেপ্তুনা থিজিল্লকপগী মহয়না কুমজা ২০১৪ গী ওক্তোবর থাদা স্বিদেনগী নুপী অমা অঙাংখাউ ট্রান্সপ্লান্ট তৌরগা মমা ওইবা ফংখ্রবনি। মশাগী চহী ৩৬ শুরবী নুপী অদু অঙাংখাউ য়াওদনা পোক্লকখিবা মরম্না অতোপ্পা নুপী অমদগী অঙাংখাউ লৌথোল্লগা হায়রিবা নুপী অদুদা পানশিনখিবনি। ডোক্তরশিংনা ইন-ভিট্রো ফর্টিলাইজেসন (আই ভি এফ) কী পান্বৈনা মতৌ-মনাওদগী স্পর্ম অমসুং মরূম লৌথোক্তুনা ইন্ব্রাইয়ো শেন্নগা অঙাংখাউদা হাপচিন্দুনা মীরোলহনবদগী নুপী অদু মশা-মউ ফবা অঙাং অমা ফংজখি। মতৌ অসুম্না মেদিকেল সাইন্সনা খুম্মাং চাউশিল্লকপগী মতুংইন্না মমিৎতা মচা উবা ফংলরোই খল্লম্বা নুপী কয়া মমা হায়বা মিংথোল অদু শোয়দনা ফংলগনি।

মতৌ অসুম্না অঙাংখাউ ট্রান্সপ্লান্ট তৌখিবা নুপী খরসু অঙাং উনখ্রে। খরা অমনা মীরোল্লে। অদুবু অখঙ-অহৈ খরনদি ৱুম্ব ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা হায়বসি মীওইবগী পুন্সি কন্নবা লৌখৎপা থৌরাং নত্তবনিনা ইথিক্সকী ওইবা ৱাফম পুশিল্লক্লি। মখোয়না হায়রিবদি অঙাংখাউ য়াওদবা মীওই কয়া পুন্সি নুংশাংনা হিংবা য়াবনিনা থৌরাং অসি য়াম্না মরুওইনা লৌফম থোক্তে হায়বসিনি। অমরোমদা, থৌরাং লৌখৎলিবা কাঙবুনা হায়রিবদি হকচাংগী অতৈ কয়াৎশিং ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগুম ৱুম্ব ট্রান্সপ্লান্ট তৌবসু মরুওইনা লৌফম থোকই হায়বসিনি।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ গোটনবর্গকী দিপার্টমেন্ট ওফ গাইনিকোলোজিগী চ্যেরমেন ডা. মেটস ব্রেনষ্ট্রোমনা হায়খি, কিদনি ফেল ওইরবা মীওই কয়াসু দাইয়ালাইসিস তৌরগা অদুম্মক হিংবা ঙম্মী। অদুম ওইনমক কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌববু য়াম্না মরুওইনা লৌনৈ। মতৌ অসুম্না অঙাংখাউ য়াওদবা নুপী কয়া হিংবা ঙম্লবসু ৱুম্ব ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী থৌরাং অসি মরুওইনা লৌফম থোকই হায়রি।

পুম্নমক অসি ওইদুনসু ৱুম্ব ট্রান্সপ্লান্ট তৌবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরক্কদ্রা খনবদগী থৌরাং অসি পাক-শন্না লৌখৎপা ঙম্নদ্রি। হিরম অসিদা ষ্টোকহোমগী রিছার্চর কাঙবু অমনা কুপ্না থিজিন্দুনা য়েংলম্মী। মদুদা ৱুম্ব ট্রান্দপ্লান্ট তৌবগী থৌরাং অসি থোইদোক্লা খুদোংথিনিংঙাই ওইদে হায়বা খঙলকখি। য়ুটেরস য়াওদনা পোক্লকপা নুপীশিং অমসুং হিষ্টরেক্টোমি তৌখ্রবা নুপীশিংগীদমক্তি ৱাফম অসি নুংঙাইরবা পাউ ওইনা লৌবা য়াই।

খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে খঙলবা মতুংদা মেদিকেল কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়া অমদি মালেমগী মকোক থোংবা ফর্টিলিটি সেন্টরশিংনা ৱুম্ব ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী অয়াবা পীরে। অদুবু ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট ওথোরিটিগী মায়কৈদগী অরোইবা ওইনা অয়াবা পীরকপা ঙাইনরি।

ওপরেসন তৌদুনা অঙাংখাউ ট্রান্সপ্লান্ট তৌবদা চাউরাক্লা পুং ৬ লোম চঙই। কয়াৎ অসি কনাগুম্বা অশিবা নুপী অমদগী লৌথোল্লগা ট্রান্সপ্লান্ট তৌগদবনি। তৌবতবু দোনর অদু ব্রেন দেথ ওইজরবসু হার্টকী মথৌদি লেপত্রিবা মীওই ওইগদবনি। নৌন পানশিল্লক্লিবা কয়াৎ অদুবু হকচাংনা রিজেক্ট তৌরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবা মরম্না ট্রান্সপ্লান্ট তৌরবা মতুংদা ইম্ম্যুনোসপ্রেসেন্ট দ্রগ অমা মতম শাংনা শীজিন্নবা মথৌ তাই।

ট্রান্সপ্লান্ট তৌখ্রবা নুপী অমবু চহী অমরোম হকচাংগী ফীভম কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা ইন্ব্রাইয়ো অমা অঙাংখাউদা হাপচিনগনি। হায়রিবা ইন্ব্রাইয়ো অদু নুপী মশামক্তগী লৌথোকপা মরূমগা মপুরোইবগী স্পর্মগা পুন্দুনা শেমগদবনি। থোইদোকপা অশোয়-অঙাম য়াওদ্রবদি থা নিপান লৈরগা থাঙ থাদুনা অঙাং পোক্কনি। মতৌ অসুম্না অনীরক ফাওবা মীরোল্লগা অঙাং উনবা য়াগনি। মদুগী মতুংদগীদি অঙাংখাউ অদু ওপরেসন তৌরগা অমুক লৌথোকখিগনি। নুপী অদু মপুন্সি চুপ্পা ইম্ম্যুনোসপ্রেসেন্ট দ্রগ চাদুনা লৈগদবদগী কোকহন্নবা পান্বৈ ওইনা শীজিন্নরোইদবা অঙাংখাউ অদু অমুক লৌথোকখিগদবনি।

মতৌ অসুম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎকদবা লৈবনা অঙাংখাউ য়াওদ্রবা অদুগা মচাদি পামজবা নুপীশিংনা ৱুম্ব ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী মহুত্তা মীগী অঙাং য়োকপগী থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## ঙসিদগী দুকানশিং থোঙ হাঙলগনি

# য়ানখিবশিং থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ওর্দর মতুংইন্না পাউনা অমসুং থাঙ্গাল কৈথেলদা দুকান ফম্লিবা মীওইশিংগী গাড়িশিং য়াওনা মখল অমত্তগী গাড়ি খাম্বা য়ারোই হায়খিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা দুকান ফম্লিবা মীওইশিংনা দুকান থোঙ লোন্দুনা খোঙজং চঙশিনখিবা অদু য়ানবা পুরকপদগী হয়েংদগী দুকানশিং হান্নগুম থোঙ হাংলগনি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংগা দুকান ফম্লিবা মীওইশিংগা অনীগী মরক্তা য়ানবখিবশিং অদু নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি হান্নদগী হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না দুকান ফম্লিবশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি অয়ুক পুঙ ১০ রোম তাবদগী থাঙ্গাল অমদি পাউনা কৈথেলদা দুকান ফম্লিবশিংগী মীহুৎ খরগা মণিপুর লৈঙাক্কী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. এম ভেটোনা লুচিংবা টিম অমগা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নদুনা য়ানবা পুরকখ্রবা মতুং পাউনা কৈথেলগী মফম অমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা পাউনা কৈথেলদা দুকান ফম্বা সোইবম শ্যাম কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি ৱারী শান্নখিবা অদুদা মরী লৈনবা ওথোরিটিগা পোইন্ট অনীদা য়ানবা পুরক্লে। য়ানবখিবশিং অদু থবক্তা ওন্থোরক্কনি হায়বগী থাজবা পীরকপদগী দুকন হান্নগুম হাঙবদা লেপ্পখিবনি।

ৱারী শান্নখিবা অদুদা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানখিবা পোইন্ট অনী অদুদি হান্নগুম পাউনা অমসুং থঙ্গাল কৈথেল অনীমক্তা গাড়ি খাম্বা য়াদ্রবসু দুকান ফম্বা লাক্লিবা মীওইশিংগী য়েংলগা পিক অপ এন্দ দ্রোপ তোবগী মতম মিনিট ৫ পীবা অমদি ৱান ৱেগী রুট হোংদোকপনি। হান্না ওভর ব্রিজ মখাদগী পাউনা কৈথেল ফাওদুনা গাড়ি চঙহল্লিবা অসিগী মহুত্তা ঙল্লিঙৈ মতমদা চৎনরম্বা লম্বী কৈশাম্পাৎ থোঙদগী পাউনা কৈথেল ফাওরগা ওভর ব্রিজ রোমদা ওইনা গাড়ি চৎহনবা হায়বসিনি। হায়রিবা লম্বীগী ওইবা য়ানবা অসিনা পাউনা কৈথেলখক্তগীনি। অদুবু হায়রিবা অসি নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি হান্নগী হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ৱারী শান্নখিবা অদুদা লৈঙাক্কী ওইবা মায়কৈদগীদি পাউনা অমসু থাঙ্গাল কৈথেলদা হান্নগুম গাড়ি খাম্বা য়াররোই হায়বা ৱাফম মায়েক শেংনা থমখিসু হায়রি।

# নুমীৎ ১০নি চুপ্পা চত্থরকপা গান্ধী শিল্প বজার লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদনা শীন্দুনা নিলাকুথিদা নুমীৎ ১০নি চুপ্পা পাঙথোরকখিবা গান্ধী শিল্প বজার ঙসি লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর, সর্ভিস সেন্টর, মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর ৱাই জগ্নেশ্বরিনা অথোইবা মীথুং ওইখি। মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী জেনরেল মেনেজর (এদমিনিষ্ট্রেসন) টি ঐচ বসন্তনা থৌরম মপু অমসুং বিজিনেস মেনেজর মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস আর্টিসান্স সী এস লিমিটেদনা মীথুং ওইখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদনা শীন্দুনা নিলাকুথিদা নুমীৎ ১০নি চুপ্পা চত্থরকখিবা গান্ধী শিল্প বজারগী মনুং চন্না লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা হেন্দলুম, টেক্সটাইলস অমদি হেন্দিক্রাফ্টসকী ফজরবা মখল মখা কয়াগী পোৎলমশিং লম-লমদগী পুরক্লদুনা শরুক য়াখি। লোয়ননা অসিগুম্বা শিল্প বজারগী থৌরম অসিদা লৈবাক মীয়াম্নসু মখোয়-মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা কয়াসু ফোঙদোক্লরমখি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৮। ০৪। ২০২২ ইং, ইরাই;
শজিবুগী ৭নি পানবা।

মেষ: য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাংবীবা লৈগনি, অরং-অরাক চেকশিল্লু। লাই-গুরুনদি চানবীগনি, অরিবা থবক পাঙবগী অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেলনচিংবা ফংবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃষ: মীয়ামগা মরী ফগৎপা, য়েক্লবা লৈরম্লসু ময়েং তাখিবা অমদি মীগী মতেংনা পল্লম্বা থবক পাঙবা লৈ। লম চৎপদি পোৎমাঙ চৈমাঙ থোকপা য়াবা লৈ-পঙথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: নীংবা থুংজবা, মীচঙ হেনগৎপা অমদি নক্লবনা তেংবাঙবিবা লৈগনি। নীংহন্নদনা মাঙলোমদা চঙশিল্লু কনানসু লাকচবা ঙম্লোই। মী লোয়নবা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কর্কট: নক্লবনা চানবীবনা থবক পাঙগনি, অফবা মফম ফংগনি অমদি হম্থবা লোয়নদবনা মাঙবা য়াবদৈ কনজগনি। মরম খঙদনা খুৎ চাওবা তৌগনু/চরাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

সিংহ: শেন্দোং ফংজগনি, য়েক্লবা ঙমজদুনা অফবা মহৈ ফংজবা, ইমুং-মনুং পুন্না পাঙবা থবক্তা কান্নজবা লৈগনি। অকাম্বা থবক পাঙনীংদনবা চিঞ্জাক কামগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: য়েক্লবনা লন মৎপীবা অমদি অঙম্বনা তাথিবীবা য়াবা লৈ। অনৌবা থবক পাঙবা য়ারগনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি অমদি পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

তুলা: মীনা লাকচবা ঙম্লোই, নীংহন্নদনা মাঙলোমদা চঙশিনবা য়ারগনি, অরুবা ৱারেপ নাইতোম লৌবসু য়াগনি। অদুবু পুক্নিং ফাথনা মী লোয়নদ্রদি কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- শাওনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

বৃশ্চিক: হকচাং নুংঙাইবা হেনবা, থৌনা ফুদোকপনা অফবা মফম কনবা ঙম্বা অমদি য়েক্লববু লাকশিনবা ঙম্বা নুমিৎনি। মীংচৎ ফংগনি, য়েৎনবদা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

ধনু: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি। লল্লোন ইতিক্তা চাওনা মায় পাক্কনি, মীয়ামগী মতেং লৌবা য়াগনি অমদি হরাউবা নুংঙাইবা হেনগৎকনি। হুদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: মায় পাকচবা, নীংবা মপা চাবা, অনৌবা আশা লাকপা, ইচঙ থৌবনা অফবা মফম ফংবা লৈ। নচা-ননাইগী লমদা নুংঙাইজবা, থবক্কী পাউ নুংঙাইবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কুম্ভ: অশাওবনা মাঙজবা অমদি থাজদনা নক্লবনা কায়নহনবা নুমিৎনি। নহৈ অমদি নচা-ননাইগী লমদা পুক্নিং পেনগনি। হেন্না থাজবা অমদি খুৎ চাওবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিন: য়েৎনরম্বা কোকচদুনা শেল-থুমগী লমদা মায় পাকপা, থিবা-হুম্বা কনবা অমদি খাঙবা কনবনা লম্বা লৈতনা ওইজবা ফংগনি। খন্থদনা ৱা ঙাংলদি-লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# লৌবুক অমসুং মতম

## পাওনম বিরজীৎ



